# দিল্লিদা মণিপুরদগী মীওই অমা থাংনা থিল্লক্লে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ঃ*** বেঙ্গলোরদা আর্কিটেক তন্বা ইম্ফালগী উরিপোক্তগী লোইতাম রিচার্দ তমথিনা হাৎখিবগী ৱাথোক লোয়দ্রিঙৈদা মণিপুরদগী দিল্লিগী গুরগাউন্দা লৈবা জ্বেলরি শো রুম অমদা সেল মেনেজর ওইনা লৈবা অমা হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা সাউথ দিল্লিগী মহিপালপুর এরিয়াদা শকখঙদবা মীওই অহুমনা থাংনা থিনদুনা শোকহল্লবা মতুং মশাদা য়াওবা মোবাইল ফোন অমদি এটিএম কার্দ অনি মুল্লগা চৎখ্রে। লোয়ননা শোক্লবা মশা অদু ইষ্ট দিল্লিগী অনন্দ বিহারী এরিয়াদা পুরগা হুন্দোক্লক্লে।

থাংনা থিন্দুনা শোকহল্লব্বা মীওই অদুগী মমিংনা জোসুআ কৌই। মণিপুরদগীনি। চহি ২৭ লোম শুরে। প্রাইভেট কেফে অমদা শকখঙদবশিং অদুনা মহাকপু থাংনা থিল্লগা তমথিনা শোকহল্লবা মতুং ইষ্ট দিল্লিগী অনন্দ বিহারী এরিয়াদা হুন্দোক্লম্বনি। মীওই অসি হৌজিক্লা সাউথ দিল্লিগী মোনিকাদা ভারাগী য়ুম অমদা লৈবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ভিক্তিম ওইরবা জোসুআনা পুলিসতা কমপ্লেন অমা তৌবগা লোয়ননা মহাক্লা ফোঙদোকখিবদা গুরগাউন্দা লৈবা মহাক্কী থবক মফমদগী মহিনপানপুর তম্লা গাড়ী অমা ৱাইরগা লাকখি। লোয়ননা ড্রাইভর অদুনা মহাকপু মহিপালপুর ফ্লাই ওভর ময়াদা থাদরমখি। মফমদুদগী প্রাইভেট গাড়ী অমগী ড্রাইভরনা অমুক মোনিকা তম্লা চৎনবা হোৎনখি। মদুদা গাড়ী অদুদা হান্না মীওই খরা তোংদুনা লৈরমখি। গাড়ী মনুংদা মীওইশিং অদুনা মঙোন্দা মোবাইল ফোন অমসুং এটিএম কার্দ পীরক্লবা হায়রকখি। মদুদা মহাক্লা য়াদবদগী অথৌবা পোৎ অমনা মহাকপু থিনখি। লোয়ননা এটিএমগী পিন নম্বর অদু নমদুনা হায়নবা হোৎনখি। তুংদা এটেক্করশিং অদুনা মহাকপু ফি অমনা মমায় কুপশিল্লবা মতুং পুং ১ রোম চুপ্পা সিটি অদুগী অকোয়বদা কোয়পু পুরগা অন্দন বিহারী এরিয়াদা হুন্দোক্লম্বনি হায়রি।